ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯃꯥꯔꯆ ꯲꯱, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯴꯵ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, মার্চ ২১, ২০২০, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ৩৪৫শুবা মশীং

# ইন্দিয়াদা ৫, মালেমদা ১০,৫০০ শিখ্রে

## মতীক চাবা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎপগী খূদম নৎতে

খ্বাইদগী ইহান-হান্না কোরোনাভাইরস শন্দোরকখিবা চাইনাদা হৌজিক লায়না-লাইচৎ অসি তপ্না-তপ্না লাকশিনখিবগা লোয়ননা মালেমগী অতে-অতোপ্পা মফমশিংদা মীশি-মীনা থোকপগী চাং ৱাংখৎলক্লে। ইপিসেন্টর ওইরম্বা চাইনাগী ৱুহান সিটিদা হৌজিক নৌনা ইনফেক্সন তৌবা অমসুং মী শিবগী রিপোর্ট লৈত্রে। হৌজিক্তি লায়না-লাইচৎ অসি স্পেন, ফ্রান্স অমসুং অতে য়ুরোপকী লৈবাকশিংদা খোঙজেল য়াঙনা শন্দোরকপগা লোয়ননা ইটলিদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরি। ইটলিদা কোরোনাভাইরসকী কেস খ্বাইদগী ইহান হান্না থেংনরকখিবসি জন্যুৱারী থা লোইরমদাইদনি। মতমদুদা চাইনাদগী লম কোয়রকপা মীওই অনী কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরে হায়না লাউথোরকখি। মতম শাংনা মনা-মনিল নাইদনা লৈরুরবা মতুংদা ইখঙ-খঙহৌদনা চয়োল অহুমলোমগী মমাঙদা অৱাং থংবা ইটলিগী লোম্বার্দি রিজনদা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইবা মীওই অমা থেংনখি। মতমদুদা খূদোংথিনিংঙাই ওইরবা ভাইরস অসি কনামত্তনা খঙদবা মওংদা ইটলিগী কাচিন-কোয়া শীনবা থুংনা শন্দোক্লম্বা য়াই হায়না থাজনরি। ফেব্রুৱারী ২৩দা খ্বাইদগী ইহান-হান্না মী শিবগী রিপোর্ট তৌরকখ্রবা মতুংদা হৌজিক্তি ইটলিদা মী শিবগী চাং অঙকপা ফংনা ৱাংখৎলক্তুনা চাইনাদগী ফশলবা হেল্লক্লে। ইন্দিয়াদসু কোরোনাভাইরসনা শিহনখিবা মীশীং ৫ অমসুং অপূনবা কেস মশীং ২০০ রোম য়ৌরকপা মরম্না লায়না-লাইচৎ অসি খূদোংথিনিংঙাই ওইবা থাক য়ৌরে হায়না লৌবা য়ারে। ইন্দিয়ন কাউন্সিল ওফ মেদিকেল রিসর্ছ (আই সী এম আর)না কম্যুনিটি ট্রান্সমিসনগী থাক মক্তি য়ৌদ্রি হায়না লাউথোকখিবা তারবসু লায়না-লাইচৎ অসি কদায় ফাওবা য়ৌনা শন্দোকখ্রবগে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফমদগী চোইনা সেম্পলশিং খোমগৎতুনা ভাইরস রিসর্ছ এন্দ দাইগনোষ্টিক লেবোরেটরিজ (ভী আর দি এল) নেটৱর্কতা চাংয়েং তৌরবা মতুংদা আই সী এম আরগী দিরেক্টর জেনরেল বলরাম ভরগবানা হায়খি, ইন্দিয়াদা হৌজিক কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ অসি খুন্নাইদা পাক শন্না মীওইবা মশেলগী মরক্তা লৌনবগী খূদম উবা ফংদ্রি। অদুম ওইনমক মীওই মঙা শিখিবগা লোয়ননা অপূনবা কেস মশীং ২০০ রোম য়ৌরকপদগী ইন্দিয়াদা ইন্টরনেসনল ফ্লাইট অমত্তা লেন্দিং তৌবা য়াহনখিদ্রে। লৈবাক্কী কোনুং দিল্লি য়াওনা তোঙান-তোঙানবা মফমদা মহৈ লোইশঙশিং থোঙ লোনখিবগা লোয়ননা মী পূনবা য়াহনখিদ্রে। হ্যুমেন রিসোর্ছ দিভলপমেন্ট মিনিষ্ট্রি (ঐচ আর দি)গী য়াথং মতুংইন্না সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন (সী বি এস ঈ), নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ ওপন স্কুলিং (এন আই ও এস), য়ুনিভর্সিটি গ্রান্টস কম্মিসন (য়ু জি সী) অমদি ওল ইন্দিয়া কাউন্সিল ফোর টেক্নিকেল এদ্যুকেসন (এ আই সী টি ঈ)গী এগজাম পূম্নমকসু মার্চ ৩১ ফাওবা য়ৈথোকখ্রে।

মতাংসিদা হৌজিক খন্নগদৌরিবসি মণিপুর য়াওনা ইন্দিয়াগী মফম পূম্নমক্তা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ ঙাকথোকপা ঙমগদৌরিবরা হায়বদুনি। চাইনা অমসুং ইটলিগা চাংদম্নদুনা য়েংবদা ইন্দিয়াগী ফীভম য়াম্না ফরি হায়না লৌববুদি য়াই। অদুম ওইনমক টেষ্ট তৌবগী চাং নেম্বা মরম্না কোরোনাভাইরসকী মরমদা চপ চাবা মশীং খঙবা ঙমদবদগী ফীভম ফবা মানবনি হায়না লৌবদসু লানগদবা মান্দে। ৱর্ল্দ হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) অমদি কম্যুনিকেবল দিজিজগী মতাংদা খঙ-হৈরবা দোক্তরশিংনা পাক-শন্না টেষ্ট তৌনবা পাউতাক পীখ্রবসু ইন্দিয়াদা হৌজিক ফাওবা সেম্পলশিং টেষ্ট তৌবগী চাং নেম্লি হায়বা য়াই। মমাঙ চয়োলদা লৈঙাক্লা সেম্পল ৫০০ টেষ্ট তৌবদা সেম্পল খূদিংমক নেগেটিভ ওইরম্বা থেংনরে হায়না লাউথোরকখি। চয়োল অসিগী মনুংদা অতোপ্পা সেম্পল ৫০০ অমসু টেষ্ট তৌনবা হোৎনরি। চাউরাক্লা মীওই বিলিয়ন ১.৪ হেন্না লৈবা লৈবাক অসিদা শুপ্নগী সেম্পল চা খরখক চাংয়েং তৌরগা মতীক চাবা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎলে অমসুং খূদোংথিনিংঙাই ওইদ্রি হায়না লাউথোরকপদা মীয়াম্না পাক-হেক থাজগদবা মান্দে। মীখল ময়াদা ফাওবা মীওই লাখ ১ হেনবগী মোৎ লৌরগা ফোঙলকপা ইগজিট পোলশিংগী রিজল্ট লানখিবা মীপূম খূদিংমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। তৌবগীবুদি থেঙলবসু থেঙনা অখন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎলক্লে হায়বা য়াই। নোংমাইজিং নুমীৎতগী লৈবাক অসিদা মপান লৈবাক্কী ফ্লাইট অমত্তা লেন্দিং তৌহল্লরোই; মশাগী চহী ১০ শুদ্রিবা অঙাং অমসুং চহী ৬৫ হেল্লবা মীওইশিং য়ূমদগী মপান থোকপীগনু; মীওই অয়াম্বা ময়ূম-ময়ূমদা লৈরগা থবক শূবীয়ু অমসুং মী পূন্দনবা নোংমাইজিং নুমীৎকী অয়ূক পুং ৭ তগী নুমিদাং পুং ৯ ফাওবা পব্লিক কর্ফিয়ু লাউথোক্লে হায়রিবসি পূক্নিং থৌগৎনিংঙাইনি। অদুবু মসিমক্লা কোরোনাভাইরস ঙাকথোক্লবগী মতীক চাবা থৌরাংনি খল্লগা খোঙ্গ্রায় নীত্তুনা লৈথোকপদি লানগনি খল্লি। খ্বাইদগী লুরিবা ৱাফমদি নোংমগী খূৎশুমলনা হিংলিবা মীওইশিংনি। নোংমত্তং থবক শূহৌদবদা চরা হেনবগী ফীভমদা লৈরিবা মীওইশিং কয়াম কুইনা ময়ূমদগী হেন্দোকহন্দনা থম্বা য়াগদৌরিবগে হায়বা খন্ননিংঙাই ওই। লন্নাই কম্পনি অমদি ফর্মশিংদা থবক তৌরিবা মীওই পূম্নমক থবক কাদ্রবসু তোলোপ অদুম্মক ফংগদৌরিবরা; দুকান অমদি কৈথেল পূম্নমক থোঙ লোন্নখ্রবদা শেল লৈনা-লৈনা তঙাইফদবা পোৎলমশিং লৈবা ফংলক্ত্রবদা মীয়াম্না মতৌ করম্না হিংগদৌরিবগে হায়বদুগী মতাংদসু লৈঙাক্লা মতীক চাবা থৌরাং লৌখৎহৌবা চুমগনি। য়াম্না শেংনা হায়রবদা মতৌ করম্না চাইনাদা অতেনবা মতমগী মনুংদা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ লাকশিনখিবগে হায়বদুদগী পরা তম্লগা মতীক চাবা থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তাই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১৬

১। ঐখোয় মৈতৈগী কুম্বাবা, নিংথৌশিংগী হাক্তক্তা থোকখিবা থৌদোকশিং খঙগে হায়রবদি 'চৈথারোল কুম্বাবা' য়েংবা তাই। অদুবু মসি করম্বা মতমদগী লৈরক্লবগে হায়বগী মতাংদদি মত কয়া লৈরি।
(ক) অনীশুবা ইদিসনগী মতুংইন্না মসি করম্বা নিংথৌ হাক্তক্তা ইবা হৌখিবগে?
(খ) অদুগা করম্বা নিংথৌ হাক্তক্তগী থাগী মমিং য়াওবা হৌখিবগে?

২। "খঙহৌদনা থাবল্লেগী মিৎলু অনীদা লাইজ পিরাং ঈহৌরকখি। অঙাং অসিদি খঙলিরোই, মমাগী পুন্সি লোইশিল্লক্লে হায়বা।" পরেং অনী অসি নোংথোম্বম কুঞ্জমোহনগী 'ওমচাক্লবা' হায়বা ৱারীমচা অদুদগী লৌথোকপনি। ৱারীমচাদু য়াওবা মহাক্কী ৱারীমচাগী লাইরিক্তুগী মমিং হায়য়ু।

৩। "তাইঙোনা ইনখৎলকপা মতম, চহী ২৫ রোমগী পাখঙ ওইরিঙৈ, মঙোন্দগী চহী ১০ মুক হল্লমগদবী, মশক ফজরবী, পান দুকান ফম্বী অমদা ঙাওরুই।" ৱারী মতেক অসিনা নাউরোইবম সুধীরগী ৱারীমচা অমদা লীরিবনি। ৱারী মচা অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "ইপাম লমদম লমনুংশি/নিংঙোলগী মীনুংশিদুতদি থম্বীরম্মু/অউনপোৎ তেকথবা মিহৌদে।" পরেং অহুম অসিনা মোইরাংথেম সত্যবতিগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। "চান্নবী নঙগী নাপদা/অৱাবা পাউসি তম্লিংদে/চল্লবী নঙগী থম্মোয়দা অকনবা চৈনা হাপ্লীংদে।" পরেং অহুমসি মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ৱাখল মকূপ মতা খরা

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**



**অমরোমদনা হেন্দ সেনিটাইজর, অমরোমদনা ষণগী ঈশিং**

ফোন থাগৎলুবদা অহু-অহু-অহু হায়না হান্না তৌরক্কনি। প্রধান মন্ত্রিনা মিপাইবীগনু হায়রি। অনাবা মশীং নোংম-নোংমগী হেনগৎলি। মিপাইবীগনু-মিপাইবীগনু হায় মার্চ ৩১ ফাওবা স্কুল পূম্নমক ছুটি থাদোক্লখ্রে। কৈথেল থিংজিন্নরি। ফ্লাইট কেন্সেল তৌনরি। অরুবা মীফম য়ৈথোক্লরি। মী পূনবীগনু হায়রক্লি। থাবল চোঙবা ফাওবা মঙানিদগী হেন্না চোঙহনখিদ্রে। মিপাইদে হায়বা য়ারোই। নাবু না-খ্রবদি শিবা, হিংবা অনীগী মরক্তা অমদি শোয়দ্রবনি। শিবনা হেন্না নকপা, লায়েং লৈতবা, হীদাক লৈতবা অরুবা লায়না... চাইনা, ইটালি, ইরান খম থেংনা ৱারবা মতম, মালেম পূম্বা ইশম শম্নে হায়বা উৎপা ঙম্বা, লায়না অসিনা গ্লোবেলাইজেসনগী অনৌবা সিম্বল ওইরি। অফবা নত্তবা হিংচাবগী মশক ওইনা গ্লোবেলাইজ তৌরকপা। মিপাইদবা ঙমদে...। ঐগী ওইনদি মিপাই থবাইবীয়ু হায়সিদা লৈরে। মিপাই থবাইদ্রবদি কদাইদগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা পাম্নেগে। অসুক লুবা লায়নাবু লায়না লৌবা ঙমজরোই। মীৎতা পায়জদ্রে, মীৎশাং কোৎচদ্রে, চীম্বালদা থেংবীনু, খৌনাও কংহনবীনু হায়রি। ইশাগী নাতোন, নাতোন মখুন্দা খূৎনা শোকপীনু হায়রি। ঐদি নাতোনসু পায়জদ্রে। হেন্দ সেনিটাইজর, থোইনা খল্লুদে নহানমখৈ, ইনাকখুনবশিংগী পোৎ ওইনা খল্লুই। লায়রবা ঐনা হেন্না হেন্দ সেনিটাইজর দরকার ওইরে। নাকল অমরোমদনা অশেংবনি খঙদে, ফাগিনি খঙদে ষণগী অমাং-অশোয়, ষণগী হক্কী ঈশিং! ষণগী অমাংবদা ঈরোইনরি, ষণগী হক্কী ঈশিং অমৃতগা মান্নরা থক্লরি। কোরোনাভাইরস কিদুনা চঙলকপা ঙমদনবা! নাকল অমরোমদনা হেন্দ সেনিটাইজর ঙকপনা খম থেংলে। তশেংনা লায়না অসিনা লান দারগে হায়রদি ইন্দিয়া অসি মীশিং ফনা য়াম্নদি হন্থনিকো!

**শাবীগী খূৎতা শানৌনা পায়**

শাবীগী খূৎতা শানৌনা পায়, শানৌগী খূৎতা শাবীনা পায়। হন্দক চহীগীদি য়াম্না শাংনা পায়বা ফংনখিদ্রে। লৈঙাক্লা থিংগে হায়না থিংলবদি, মীয়াম্নবু ৱাখল তাগে হায়না তারক্লবদি য়াওশঙগী থাবলনা কয়াম কুইনা শুরু-শুরু নৈশিন্দুনা লৈবা ঙম্বগে। য়াওশঙগী থাবল হায়রম্বদগী চৈরাওবা, বারুনি অমদি চহী চূপ্পা চোংনজরিবা থাবলনি। থাবলগী লৈবাক ওইরল্লবা লমদমনি। ঙক্লবনি ননাইদি ইতোমতা লমজেল চেনবদা ফর্ষ্ট তাবগীসু য়াওশঙ থাবলদা নুপী ওইবীশিংদা ক্রাইম চথখিদ্রে হায়না হরাউনরি। য়াওশঙ মঙানিদগী সুম শাংথ-সুম শাংথ থাবল চোংনরবনিনা হিরোইন মুন্নরকই। গাড়ী মাঙলকই। নোংমৈ কাপ্নরকই। থাঙনা য়ান্নরকই। লৈশাবী মচাশিং লৌবুক্তা কৌথোক্লগা নমজা নমথেকপীরকই, হাৎলগা লৌখোংদা হুন্দোকপীরকই। কুমসিদি কোরোনাভাইরসকী কৃপাদগী থাবল তেনশিনখিবদা কুমগী ফত্ত-হৌদি অমত্তা থোকখিদ্রে। মতুংদসু পাড়া অমা ওইনা য়াওশঙ থাবল তেনশিনবনা শুম য়াইফদৌবা মাল্লে।

**য়োংচাক্কীদমক বন্দ কৌরক্লবদি**

মীনা ৱাখল পিকই হায়গে হায়জসনু ঐখোয়গী ইপা ইপু ৱাখল য়াম্না লৈরম্মী হায়দবা শুকঙম হেক ঙম্লরোই। মালেমদা খ্বাইদগী হাউনা চাগনবা মীওই কাঙলূপ অমা নত্তে হায়বা ঙমজরোই ঐ। ৱাংলবা উপালদা পাল্লিবা য়োংচাক্লা, লৈনুংদা তাবা আলুগা থুম মোরোক ঙারিগা পূনশিন্দুনা ঈরোল্লগা খ্বাইদগী হাউবা য়েনশাং অমা ওইরক্কনি খল্লম্লিবা ঐখোয়গী কোক থাং ৱাংদে হায়বা য়ারোই। আহ! কয়াদা হাউখ্রবা য়েনশাংনো? অদুবু লুরিবদি লমদম অসিদগী য়োংচাক মরু ফংনা মূৎলে হায়বা য়ারে। আইন্না য়াবা লম্বীদা ম্যান্মারলোমদগী য়োংচাক পুরকপা য়াদ্রে, কোরোনাভাইরসকী শাপ ফংদুনা। সিদবু মিপাইদবা য়ারিব্রা? ঐখোয়গী এগ্রিকলচরেল সাইন্টিষ্ট ময়াম্না অমুক্তং মুন্না খন্নবীদুনা হোৎনবীদুনা লমদম অসিদা য়োংচাক মপাল শাহন্দুনা, মহৈ য়ালহন্দুনা অহাউবা মখলগী য়োংচাক পুথোকপীয়ু। কাঙলূপ মুৎখ্রবা য়োংচাক অমুক হন্না হিংগৎহনবীয়ু। মসি নৎত্রবদি য়োংচাক্কীদমক বন্দ অমুক কৌরকপা য়াই। মীপূম খুদিং লোইনা শৌগৎনরক্কনি। অসিগুম্বা বন্দ অসিদি। ●

# য়াওশঙগী শক্তম মাঙলকপা

**নবকুমার ওইনা**

য়াওশঙসি হোলি নত্তে, পূনবদৌনা পংঙাঙদা ঙাঙনৈ। খঙদবগীসু মানবা, তৌগে য়াওনা তৌবা অমসু য়াওবা মাল্লকই। লমদমসিগী লাইবক্তা অসুম্না থোক্লবা শিনবা মীসু লৈরম্বা য়ারি। খঙগদৌবনা খঙদ্রবসু মানবা, করি তৌগনি খঙনদবগী মীগী তুংদা পংইন্দা ইনবগী হৈনবী লৈবনা ওইগদৌরিব্রা খন্নফম থোকই। নাটকী থৌরম অমনি, কুম্মৈ ওইনা লৌবসি য়াওশঙগী মপু মাল্লনক্তবসু য়ারিবনি।

য়াওশঙগী শৈহৌ অমা থিবা তারবদি লৌউবা হৌরকপগা মরী লৈনবদু ঙসিসু অদুম উগনি খল্লি। লৌ উবা হৌদোকপসি পাম য়াল্লগা হৌবা অমা, তুরেল মপান থিরগা ঈশিং চাউরক্ত্রিঙৈ মনা-মশিং থাবা ঙসিসু অদুম উরি। য়ূমদগী খরা লাপ্না লৈবা লৌফম অমা শঙবা তারম্মী, লৌহোন হুল্লগা ষণ ঙাকপা ঙসি ফাওবা য়াওনরি। মতম অমদা লৌ উবসি খুনফমগী ওইনা পূনবা, ঙাকপনা য়ূমথোংগী পালি নাইনা মীহুৎ থোক্লরগা ঙাক্লবা, লেংমান্নবশিং য়ারেকপা য়াওরম্বদু ঙসি ফাওবা চথনরিবা শাজৎ অমনি হায়গনি।

য়াওশঙগী লূপ অমনা এঙ্গাং-নাপি হেকপদা শাওনরমদবগী মরমসু লৈফম থোকই। শঙ-শঙগী শঙলোইশিংনা মখোয়না শঙলিবা পাম অদুদগী হেকপদা কনাগী অথিংবা লৈগদৌরি। শঙ অমনা শঙ অমদগী হুরানবসু য়াওনরিবনি, হুরানবা ঙম্বা তান্নরম্মীবনি। লৌশিংগী কম্পিটিসন অমসু য়াওরম্মী, শরিৎ-শরাৎ, মুক্নাগী কম্পিটিসন তৌরম্মীবনি। শাওনবগী নত্তে, মথৌ হাপ্নরগা অহেনবা চাংয়েং তৌনরম্বনি, টুর্নামেন্ট অমা তৌবগুম্বনি। নাট ওইরম্লবনি। শাজিবু-কালেন ফাওবনি।

মতমগী মতুংইন্না মরন্নাইগী পাম য়ান্নরকপা অমদি মচা-মশু লৈজদবশিংগীসু পূন্না ঙাকপা শঙলূপশিংগী মথৌ পাঙথোক্লবা চেঙ-চাক, এঙ্গাং-নাপি, থুম-থাও খায়রগা য়ারেক্তুনা শঙবা তারকইবনি। নাক্কথেংবা হায়বসি নিবা নত্তে খায়বনি, থৌদাং অমগী ওইগদৌবনি। চৎনখিবদগী লান্না শীজিন্নবা য়াওরকপদুনি। চীংদসু অতোপ্পা লাইনীংদা হান্নগী চৎনবীশিং অদুম শীজিন্নবা উনরিবনি। হান্নগী নাট অমবু অনৌবা লাইনীংনা লৌশিনখিবা য়াওবা উনরিবা অমনি। খায়বদু লাইগী ওইখি।

খুন্নাইগী অহোংবা কয়া, লৈঙাক্কী অহোংবা কয়াদগী য়াওশঙগী শক্তমদসু অহোংবা লাকপা মশানা তাবা অমা ওইরকই। পুৱারী মথং-মথং হনগৎনা য়েংলবদি অদুম উবা ফংনরিবনি। খন্থবা ৱাৎনবা নৎত্রগা পুৱারীদা মীনম্নবা য়াওনবদগী ঙসিদি অশেংবদু উবা ফংহন্দবগী থাক অমদা লৈরবগুম্বনি। মতমগী অহোংবা থিংবা ঙমগদৌবা মান্দে। মহৈ-মশিন তম্নরিবশিংনা সোসিওলোজি অমসুং এন্থ্রোপোলোজি তম্বা ফংনরকপদগী উৎ-ৱায়গুম্না কুপশিল্লম্বা কয়া লেননা নুংশাদা তুমখিবগুম মথং-মথং ফোঙদোক্নরক্লি। অরানবা তৌরুবা কয়াগী ৱাখলগী অহোংবা লাক্লি। অঙম্বা শারুবরা হায়বু অপঙবা তারকপসু মাল্লক্লি, মশাগী শক্তম ময়েক শেংনা শাগৎপা ঙমজদবগী মপাম চাকশু চাবা ফংদা, মৱা চাকসু চাবা ফংদবা ফুরুপ য়াওরক্লি। নাকল অমদা হৌমিন্নরকপা ঈ-মরীশিংনা ইন্থোকপগুম তৌরক্লি। অতোনবা ফুরুপ ওইনা লৌবসু য়াওরক্লে।

অশেংবদি মৈ হৌরগা জগোয় শাবা হায়বসি মফম খুদিং, ফুরুপ খুদিংনা তৌরকপা থায়নগী নাট অমনি। দোমিটরি ক্লব হায়রগা খঙনরিবা থায়না শুরুংদা লৈরিঙৈগী নহা, পাখঙ-লৈশাশিংগী পুনফম অমবু খরা থৈদোক-থৈজিন তৌরগা ঙসি ফাওবা নাট অমা ওইনা খুন্নাইদা মমি তাহৌরিবা অমনি। য়ূমলিং-খুল্লিংবগী, য়ূম্বানলোনগী অঙনবা মতমদগী হৌনা চৎনবী ওইরবা, শকখঙ মায়খঙননবা, পাখঙ ফান-লৈশা ফানশিংগী থৌদা অমনি। চাকচা-হৈজানবা হায়বসি তৌদবা য়াদবা চৎনবী অমনি। নাকল অমদনা স্কুল্লিং অমনি। লুবা-নানবা, কেবা, ফিজেৎ চাকচা হিদান্নবগী প্লেটফোর্ম অমা ওইরম্লিবনি। পাম শূবা, লৌ য়ানবা, লৌ শঙবা হায়বসিমক্তবু নহা-পাখঙ-ইনখৎলকপশিংগী থৌদাং ওইরম্মীবনি। মচা পিবা য়াওজদবশিংগী থৌদা লাকপদা নিংঙোল ওইবীনা য়ারেকপসু চৎনরম্মীবনি। ৱাথোক ওইনরকপা য়াওবা, মপা মশক খঙদবা নাওপুবা য়াওনরকপদগী দোমিটরি ক্লবশিং মুখরকখিবনি, অথিংবা থম্নবা য়াওরকখিবগী রেকোর্দ লৈরি। শিন্নায়ফম কাবা হৌবা মতমদদি খরা হেন্না চাওখৎলবা মতমনি, য়াওশঙদি অদুম হিংলিবা মতমনি, পামলৌশিং শা-উচেক, য়োং-খৈরোইদগী ঙাক্তবদি য়াবা নত্তে। চীংগী লমদা ঙসি ফাওবা চথরিবা থৌ অমনি। লাইনিং অমগী নত্তে, নাট ওইনা লৈজবা শাজৎ অমনি। লাইনীং খরনা মখোয়গী ওইনা লৌশিন্নবা হোৎনবা মানবসু লৈরিবনি। মীওইবগী ফুরুপ কয়া পূনশিন্নবা য়াওবদগী নাট কয়া তোৎশিন্নরকপা থোক্তবা নত্তে। লমদম অসিদদি মালেমগী লাইনীং খুদিং পুল্লরি, নাট খুদিং য়ৌরক্লি হায়ববু য়াশিল্লক্লি। অসিগুম্বা খুন্নাই অমদা য়াওশঙগী শক্তম তরং-তরংনা লৈবা ঙল্লকখিদবনি।

ষ্টেট অমগী লৈমায়দা চাম্মদা মাপলখক্তগী লমদা উরম্বা য়াওশঙনা অসি য়ৌনা শাফু কল্লিবা করিগীদমকনো? লাইনিংঙাক্তগী নত্তে, ৱারী চুম্বা লানবগী নত্তে, নাট অমগা ইরোয়ননা লৈরম্বননি। য়াওশঙদি হান্ননা মী খুন্থোক্লকপদা য়াওরক্লবনি (হোলিদি কোন্না লাকপনি), খুন্নাইগী লৌউ-শিংউবা অমসুং শেন্মীৎলোনসু লোয়নরক্লবা নাট অমনি। য়াওশঙগী ফি শাবা, চৈরাওবগী খুদৈ তম্বা, কাং শান্নবা, মুক্না শান্নবা তম্বা পূম্নমক নাট ওইনা য়াওজরক্লবা শাজৎশিংনি। লোয়ন-লোয়ননা মৰূ-মরাং হুল্লগা ঙাক শেল্লিবা হায়বসি মতম অদুগী খ্বাইদগী চাউবা ইকোনোমিগী থবক অমনি। ফৈনা ফুজিল্লকপা শাফুশিং ঙাকথোকপা ঙম্নবা শান্নবগা নক্লবা হৈনবী অমা শাগৎপা ঙল্লিবসি উচিদা হঞ্জিনবগী মওংনি, হান্ননা লৈরম্বননি। থাবল চোঙবসি শাজেলনি, শকখঙ-মায়খঙনবগী কান্নবা ওইরকখিবনি। মুক্না কাংজৈনা চাংয়েং অমনি, অকনবা, অহৈবা অমসুং লুচিংবা খনবগী থবকনি। লৈবাক নিংথৌগী লাম্মী শেমগৎপগী থৌরমশিংগী মনুং চল্লিবা লাইনিংগসু শম্নরগা লাক্লিবা নাট অমনি। মুক্না শান্নবদা লাই অমতমক খুরুমনি, মুক্না শান্নবদা খুরুমদবা লাইশিং লমদমসিগী লাই নত্তে।

নুমিৎ থা মান্নরম্বগীদমক য়াওশঙবু লান্না লৌবা, নাক্ক থেংববু লম কোয়বা চৎনবগী পৈশা খায়বা ওইনা তৌবা, নহা-অঙাংনা তৌগদৌবা থৌদাংবু মৌনা শেল খায়রগা চাক চানখৎপা, নুপী মুন্নবগীদমক থাঙ-তেন-শিংজং-নোংমৈনা মী হাৎনরম্বা, লাইনীং মুথৎনবা খূৎলায় ওইনা শীজিন্নরগা লাইগী মিংদা নম্ফুদা শেল খায়বা কয়াসিনা য়াওশঙগী শক্তম মাঙহল্লিবনি। শেল পায়বশিংনা ভোট লেপ্পা পাম্বদগী য়াওশঙবু লান্না শীজিন্নবসু য়াওরক্লি, মীয়াম্বুসু লান্না লমজিংবা হৌরক্লি। করম্না হৌরকইসু খঙদনা নিরগা চাবা তম্বীরিবসি হৌরকমীগী শাজৎ মান্দে, ওইজবা থিবা ফুরুপকী শাজৎ ওইগদৌরি। চীংগী লমদা তৌদে, মীওই খুজোক অমখক্তগী ওইনা উরি।

য়াওশঙ স্পোর্টসনা ওলেম্পিক য়ৌগনি হায়বদি লৈতে। লৈখায় তাবা ঙমদবশিংগী চনৈনবা শাজৎ থাদোকপা ঙমদবগী মমি চাউনা তারি। 'ইন-আউট' মাইক ময়ামগী খোঞ্জেল মান্নরি, লাংবা হেনগৎলি, নাকল অমদা হোলি লাউরি, নোক্লিংবা পোক্নরি। য়াওশঙদা য়ু চেন্নরি, পোকশোগী চেকশিন্নরি। পূম্নমক য়াওশঙগী শক্তম ময়েক শেংদবগীনি। অশেংবদি এগ্রিকলচর অমসুং ইকোনোমিগী সেমিনার তৌগদৌবা ওইরিনি। স্পোর্টস ত্রেনিং চথুগদৌবা চয়োলনি, ফাগি তাগদৌবা মশান্নশিং য়াওফম থোক্তে। মেরি কোম য়াওশঙ য়াওরকপী নত্তে, ওলিম্পিক্তা য়াওশঙগদি অকক্লবা মরী লৈনদে। য়াওশঙগা লাইগসু মরী লৈনদে। লাইনীংদি পংশিন্দা শিনবা য়ানরবনি, শিনবা ঙমদবা অমদি নাট হায়বসিনা ওইহল্লি। নমদুনা হোংহনবা হায়বসি ক্রাইম অমনি। য়াওশঙবু ক্রাইম থোক্কদৌবা চয়োল ওইনা উহল্লি। মসিমক্তি স্পোর্টসনা কোকহনবা ঙল্লোই। মীওই খুজোক অমনা ষ্টেট অসিগী চাম্মগী মরিফুতরা ওইরিবা মফম পূম্নমক্কীসু অথিংবা পীশিল্লি, নুমিৎ তরেৎনি চঙনা অপূনবগী শক্তম থুগায়নবা শিল্লি। ঔগ্রীদি থাংলেন্নি, য়েক্লবা মশক খঙগদৌবনি। শামরক-ঙামরক ঙাঙবশিংনা হুন্নগা পুবা ঙমগদৌবা মান্দ্রে। লাংওন-লাংদায় ওইবগী খঙদবনা মাঙ থারগা অনৈবনা ময়ায়দা লৈবা মতমনি।

হৌজিক হৌজিক্তি নাটকী মপু লৈত্রি হায়ববু য়ারি। নাট অমত্তা ময়েক শেংদে হায়বা য়াশিল্লক্লি। পাখঙবগী হিয়াংদা অতোপ্পা লাই তোংশিল্লি, উমংলাইদা শাংনা লৈশা নম্বা য়াওরি। মান্দোব মপু মীনা ফল্লি। য়ূম্নাক শেংদ্রি, অশিবসু জাৎ ওল্লি। নাট অমদা নাট অমনা নম্ফুদা পাদোংবা ঙম্নরি, অনৌবা চাবোক থোক্লক্লি, য়াওশঙদা করিগী মোত্তগনি। য়ূম্নাক শেংনা লৌদবগী অমসু-অমসু চুম্লরোই খন্নরকপসু মাল্লক্লি। নাটকী মপু থোক্লক্তরি হায়খিগনি।

ঙসিগী অনৌবা তাইবঙদা লাইনীংগা নাটকা তোঙান্না থম্নবা চৎনরে। তোৎশিন্নবগী পুবা-থাংবা ঙমদবা ৱাথোক হেনগৎলক্লে। পোকঙমদনা পোকপা মপোক্তা চহী খুদিং নুমিৎ তরেৎনি মাঙহনবগী নাট অমা শাগৎপা লাল্লি হায়গনি, স্পোর্টস খক্তনদি য়াগদৌবা মাল্লক্তে। লাইনীংদি মরন্নাইনি। ●